

# মনালৈবাক স্পোর্টস





দেবিস কপ ৱার্ল্ড টিম চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী দবলসতা মায় পাক্কুনা মালেমগী ওইবা দেবিস কপ শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মায় পাকপা ঙম্বগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা দিল্লি দেয়রদেভিলসকী টিমদা শোকখ্রবা কাগিসো রাবাদাগী মহুৎ শিনগদৌরিবা ইংলেন্দ মচা ওল রাউন্দর লিয়াম প্লুনকেট্ট

## ইন্দিয়াগী নুপাগী ৱেঠলিফটর সটিস সিবলিঙ্গম অমসুং আর ভি রাহুলনা নুপাগী ৱেঠলিফটিংদা গোল্ড অনী অমগসু ফংদুনা কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী মেডল টেলিদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি, টেবল টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী টিম সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে





গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমস ৱেঠলিফটিং দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী সটিত সিবলিঙ্গম (ওই) অমসুং আরভি রাহুল

*গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ০৭ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী ঙসি হুম্নিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপাগী ৱেঠলিফটর অনী সটিস সিবলিঙ্গম অমসুং আরভি রাহুলনা গোল্ড মেডল অমমম লৌদুনা গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী টিম মেডল টেলিদা মরিশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে। গেমস অসিদা মেডল ফংগনি হায়না চাওনা আশা তৌরিবা টেবল টেন্নিসকী টিম মখোয়গী লম্বা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডলগী আশা থম্বা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্‌থ গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা এঠলিটশিংগী মনুংদা অহানবা গোল্ড মেডল অদু মণিপুরদগী হৌখিবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা ফংখিবনি। মহাক্কী গোল্ড মেডল অদুগী মতুং ঙরাং নীনিশুবা নুমিৎতা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী অতোপ্পা মণিপুরদগী হৌখিবী ৱেঠলিফটর খুমুকচম সঞ্জিতা চনুনা গোল্ড মেডল অমা হাপচিল্লগা ইন্দিয়াগী মেডল টেলি অদু ফজহনবা ঙমখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱেঠলিফটিং দিসিপ্লিনগী নুপাগী কেজি ৭৭ কী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর সটিস কুমার থিবলিঙ্গমনা গোল্ড মেডল ফংদুনা হান্না লৈরম্বা ইন্দিয়াগী অপুনবা মেডল টেলি অদুদা গোল্ড মেডল অমসু হাপচিনবা ঙমখি।

নুপাগী ৱেঠলিফটিং দিসিপ্লনদা শরুক য়াখিবা সটিস সিবলিঙ্গমনা স্নেটচ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা পুন্না কেজি ৩১২ থাঙ্গৎতুনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা নুপাগী ৱেঠলিফটর আরভি রাহুলনা কেজি ৮৫ গী কেটেগোরিদা স্নেটচ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা পুন্না কেজি ৩৩৮ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটরশিংনা কম্পিটিসন অসিগী মখা তারকপদা মেডল থংবা য়াবগী তোঙান–তোঙানবা তাঞ্জা লৈরি।

২১শুবা কম্মনৱেল্‌থ গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিসকী টিম ইভেন্টতা মালেসিয়াগা লম্বা তৌনখিবনি। মদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অদুনা মেটচ ৩–০ দা মায় পাক্লগা দিসিপ্লিন অসিগী ওইনা মিক্স টিম ইভেন্টতা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়ানা শান্নখিবা টেবল টেন্নিসকী নুপাগী দবলসকী মেটচ

ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অদুনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেসিয়াবু মেটচ ৩–০ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম্না মোরিসিয়সকী টিম্বু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা মখোয়সু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

*বেদমিন্টনঃ–*

গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী মেডল য়াম্না ফংগনি হায়না আশা তৌরিবী বেদমিন্টনগী ওইনা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মিক্স টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা মোরিসিয়সপু মেটচ ৩–০ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং মোরিসিয়সনা শান্নখিবা টাই অদুগী অহানবা মেটচ মিক্স দবলসকী ওইখি। মদুদা গেমস অসিদা মকোক থোংবা পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী সাটৱিক রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ চন্দ্রশেখরনা মোরিসিয়সকী আটিস লুভা অমসুং খৃষ্টোফর জেন পোলবু মায়থিবা পীদুনা মেটচ অমা হেন্দুনা চৎখি।

টাই অদুগী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলসকী পেয়র আস্বিনি পোনাপা অমসুং সিক্কি রেদ্দিনা মোরিসিয়সকী ওরিলি মারি অমসুং নিক চান লামবু ২১–৮, ২১–১৭ দা থোইদুনা মেটচ ২–০ দ মাঙজিল থাখি।

ইভেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা কিদম্বি স্রিকান্থনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা জোর্জেস জুলিয়েন পোলবু ২১–১২, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা মতুং চেম্পিয়ন ওইনবগী লম্বেলদা হয়েং সিঙ্গাপোরগী টিমগা লম্বা তৌনগদৌরি।

পনবা য়াবদি সিঙ্গাপোরগী টিম অসিনা কম্মনৱেল্‌থ গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ৩–০ দা থোইরম্বনি।

*বোক্সিংঃ–*

ইন্দিয়াগী টিম্না মেডল য়াম্না আশা তৌরিবা ইভেন্ট অমা ওইরিবা বোক্সিংদা নুপীগী কাঙলুপ্তা মণিপুরদগী হৌখিবী লাইশ্রম সরিতা দেবীনা বার্বাদোসকী বোক্সর কিম্বরলি গিটেন্সপু প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৬০ গী লম্বা অদুদা লাইশ্রম সরিতা দেবীনা কিম্বরলিবু বাওট অদুগী মতম অয়াম্বদা এটেক অমদি পোইন্ট ফংবা হেন্দুনা মায় পাকখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর মনোজ কুমারনা কেজি ৫৯ অমসুং অহানবা ওইনা কম্মনৱেল্‌থ গেমস অসিদা শরুক য়ারক্লিবা কেজি ৫৬ কী বোক্সর মোহমন হোসামুদ্দিন মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই হোসামুদ্দিন ইন্দিয়াগী নেসনেল বোক্সিংদা শরুক য়ারকপদা গোল্ড মেডল ফংখিবনি। মহাক্না ঙসি ভানোটুগী বোক্সর বোয়ে ৱারাৱারাবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী মনোজ কুমারনা কেজি ৫৯ গী কাঙলুপ্তা তাঞ্জানিয়াগী বোক্সর কাসিম মুনৱিকেবু মায়থিবা পীরগা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। মশাগী চহী ৩১ শুরবা মনোজ কুমারনা কুমজা ২০১০ দিল্লি কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা গোল্ড মেডল ফংখিবা অদুগী প্রোফেসন অদু গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমস অসিদা উৎথোকপা ঙম্নবা হোৎনরি।

বোক্সিং দিসিপ্লিনগী ওইনা হয়েং নুপীগী কাঙলুপ্তা মমিং লৈরবী মণিপুরদগী হৌখিবী এমসি মেরি কোমনা অহানবা বাওটদা স্কোটলেন্দগী বোক্সর মেগান গোর্দোনগা লম্বা তৌনগদৌরি। হায়রিবা বাওট অদু মায় পাকপা ঙম্লবদি সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডল অমদি শুংশোয় শোয়দনা ফংলগনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী বোক্সর অমিত পনঘল (কেজি ৪৯) অমসুং নামন টনৱর (কেজি ৯১) মখোয়–মখোয়গী অহানবা বাওট মায় পাক্কুনা ঙরাং ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

*হোক্কিঃ–*

কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী নুপাগী হোক্কিগী পুল 'বি' গী মেটচ অমদা ঙসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ফজবা ঙমখিবা অদুগী মতেংনা ১৩শুবা মিনটতা দিলপ্রিত সিংহনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মহাক্কী মতুং হর্মনপ্রিত সিংহনা ১৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা পাকিস্তানবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ পাকিস্তানগী এমদি ইরফান জুনিয়রগা ৩৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাখিবা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

মেটচ অদু ইন্দিয়ানা হেন্না ফজরবসু শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা পাকিস্তাননা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্লগা মেটচ অদু পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

| Commonwealth Games 2018 Medal Tally | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Rank | Country | G | S | B | T |
| 1 | Australia | 20 | 17 | 20 | 57 |
| 2 | England | 14 | 12 | 6 | 32 |
| 3 | Canada | 5 | 7 | 6 | 18 |
| 4 | India | 4 | 1 | 1 | 6 |
| 5 | South Africa | 4 | 0 | 3 | 7 |
| 6 | Scotland | 3 | 6 | 6 | 15 |
| 7 | New Zealand | 3 | 4 | 5 | 12 |
| 8 | Wales | 2 | 3 | 1 | 6 |
| 9 | Malaysia | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 10 | Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 11 | PNG | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 12 | Sri Lanka | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 13 | Jamaica | 0 | 1 | 0 | 1 |
| | Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| | Samoa | 0 | 1 | 0 | 1 |
| | Trinidad & Tobago | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 17 | Cyprus | 0 | 0 | 1 | 1 |
| | Pakistan | 0 | 0 | 1 | 1 |
| | Solomon Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |

## ভোলভো কার ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী বর্টেন্সনা য়ুএসএগী মেদিসন কিজগা থেংনরগনি





*চর্লিষ্টোন, এপ্রিল ০৭ঃ*

য়ুএসএগী সিটি চার্লিষ্টোনদা লৈবা ফেমিলি সার্কল টেন্নিস সেন্টরদা চথরিবা ভোলভো কার ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ১২শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা য়ুএসএগী শান্নরোই ৭শুবা সিদেদ মেদিসন কিজগা লম্বা তৌনরগনি।

নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা কোর্নেটকী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা পীরত্তুনা শান্নরকখিবদগী শান্নরোই অনীমক গেম ৫–৫ মান্নদুনা লৈখি। অদুবু নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা থংনবা গেম অদু থোইখিবদগী ৭–৫ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

বর্টেন্সকা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী য়ুএসএগী শান্নরোই মেদিসন কিজনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অতোপ্পা য়ুএসএগী শান্নরোই বর্নার্দা পেরাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং সেট ২–১ দা থোইখি।

অহানবা সেট কিজনা পেরাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা পেরাগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা পীরক্কুনা শান্নরকখিবদগী টাই ব্রেক্কা ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদসু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লরবা মতুং মেদিসন কিজনা ৭–৫ দা বর্নার্দা পেরাবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ভোলভো কার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেস অমসুং ৮শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিয়া সেভাষ্টোভা লম্বা তৌনরগনি।

জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরমখি।

৮শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিয়া সেভাষ্টোভানা জেক রিপব্লিককী কৃষ্টিনা প্লিজকোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–০ দা থোইরম্বনি।

নাকল অমরোমদা মেক্সিকোগী সিটি মোন্টেরিদা চথরিবা মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা অমসুং রোমানিয়াগী এ বোগদান লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদনা ৪শুবা সিদেদ হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ৭শুবা সিদেদ য়ুএসএগী এস ভিকরি থেংনরগনি।

স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৮শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এ টোমজানকোভিসপু ৬–৩, ৬–০ দা থোইরমখি। অদুগা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবী রোমানিয়াগী এ বোগদাননা সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএগী দি কোলিন্সপু ৬–২, ৬–৪ দা থোইরমখি।

মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ প্যুটো রিকোগী মোনিকা প্যুগপু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বনি। অদুগা ৭শুবা সিদেদ য়ুএসএগী এস ভিকরিনা ২শুবা সিদেদ স্লোভাকিয়াগী এম রাইবারিকোভাবু য়াম্না কোম্না ৬–০, ৬–৩ দা থোইরমখি।

## দেবিস কপকী চাইনাগা শান্নবা টাইদা মেটচ ৩–২ দা মায় পাক্কুনা ইন্দিয়াগী টিম ৱার্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে

*টিয়ানজিন, এপ্রিল ০৭ঃ*

চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি টিয়ানজিনদা ইন্দিয়াগা শান্নবা মালেমগী নুপাগী টেন্নিসকী লৈবাকশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা দেবিস কপকী এসিয়া / ওসিনিয়াগী গ্রুপ ৱানগী টাই অমদা চাইনাবু মেটচ ৩–২ দা থোইদুনা ৱার্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী দেবিস কপ টেন্নিসকী শান্নরোইশিং মমাঙদা ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া থম্বা ঙমখিবনি। চাইনাগা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা এসিয়া / ওসিনিয়া গ্রুপকী টাই অদুগী অহৌবা সিঙ্গলসকী মেটচ অনী চাইনানা থোইরগা ইন্দিয়াবু হেনখিবনি।

ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দবলসকী মায়কৈদা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রবা লিয়েন্দর পেস অমসুং রোহন বোপানানা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা চাইনাগী পেয়র অদুবু মায়থিবা পীরগা টাই অদু মেটচ ১–২ দা লৈহনখি।

অহুমশুবা রিভর্স সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা চাইনাগী শান্নরোই ৱু দিবু ৭–৬(৭–৪), ৬–৩ দা থোইদুনা মেটচ ১–২ দা শোৎখিবা অদু ২–২ দা মান্নবা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা দেবিস কপ এসিয়া / ওসিনিয়া গ্রুপকী টাই অদুদা মেটচ ২–২ থোইনদুনা লৈখ্রবা মতুং অরোইবা অমদি দিসাইদিং মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী প্রজনিস গুনেশ্বরন অমদি চাইনাগী ৱু জিবিয়াংনা লম্বা তৌনখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী প্রজনেসনা চাইনাগী ৱু য়িবিংবু ৬–৪ দা থোইরগা অহানবা সেট অদু মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রজনেস গুনেশ্বরননা চাইনাগী ৱু য়িবিংবু ৬–২ দা থোইদুনা দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপকী লম্বাদা ইন্দিয়ানা চাইনাবু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা দেবিস কপকী মখা তাবা রাউন্দগীদমক শেম শাদুনা লৈখি।

## স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা দিপোর্টিভো লা কোরুনানা মালাগাবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখ্রে অদুগা অলাভেসনা গেটাফেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ০৭ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা দিপোর্টিভো লা কোরুনানা মালাগাবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখ্রে অদুগা অলাভেসনা গেটাফেপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

দিপোর্টিভো লা কোরুনা অমসুং মালাগানা শান্নখিবা ৩১শুবা লীগ মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা লুকাস পেরেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।



মতম খরা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা মালাগানা চথরকখিবা এটেক অমদা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগী শান্নরোই গুইলহর্মেনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগী শান্নরোই এদ্রিয়ান লোপেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মালাগাবু ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু চনবা মিনট ৩ লৈরগা মালাগাগী শান্নরোই দিএগো রোলাননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–২ দা লৈনখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপগী ৮৫শুবা মিনটতা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগী এটেক অমদা এদ্রিয়ান লোপেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না মালাগাবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অলাভেসনা গেটাফেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা অলাভেসকী শান্নরোই ভিক্তোর লাগুৱার্দিয়ানা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই মুনির ইল হাদাদিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু অলাভেসনা গেটাফেবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইবা ঙমখি।